
# থৌদাম ব্রজবিধুগী সোর্ট প্লে "পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে"



ঐচ রাজেসে

আইনগী মীৎয়েংদা নুপী–নুপা রাইট চপ মান্নরে হায়দুনসু, লাইরিক লাইশু হৈরবা, লৌশিং জ্ঞান লৈরবা মীওইশিংগী মরক্তসু নুপী অঙাংবু হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবগী চৎনবী–হৈনবী অসি থাদোকপা ঙমদ্রি হায়বা উৎনবা হোৎনরিবা মনি য়ুম্নামনা ইবা থৌদাম ব্রজবিধু সিংহ না লমজিং লমতাকপা অমা ওইদুনা অয়েংবা ভাবকশিংবু মায় পাক্লা শুস্বা ঙমখ্রবা "পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে" হায়বা প্লে অমা নাট্য রত্ন সোরোকখাইবম ললিত সিংহগী ১২৬ শুবা মপোক কুমওনগা মরি লৈননা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এমদিয়ু) দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা উৎখিবনি।

মতম শাংনা সস্থান কয়াগা লোয়ননা থিয়েটরগী লম অসিগী মান্নদবা মখল মখা কয়াদা থৌদাং চাওনা য়ারম্বদা নত্তনা মশামক সোর্ট এন্দ দুকুমেন্টরি ফিল্ম দাইরেক্টর অমা ওইনা ইন্দিয়ান পানোরামা অমদি এমআইএফএফ (মুম্বাই ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল) দা স্ক্রিন তৌরুরবা শক্লাইরবা দাইরেক্টর থৌদাম ব্রজবিধু সিংহ না লমজিং লমতাক্তুনা ৪৮ শুবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন না শিনখিবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসনগী মনা অমদি লিলা অসিবু লমজিং লমতাকখিবা থৌদাম ব্রজবিধু সিংহনা বেষ্ট দাইরেক্টর মনা ফংখিবগা লোয়ননা অতৈ–অতৈ মনা–মথুম কয়া অমসু ফংবা ঙমখ্রবা প্লে অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদিঃ– জিবশিংগী মনুংদা অথোইবনি হায়রিবা ৱাখল খন্থবা ঙস্বা মীওইবনা ঙসিগী তাইবংপান অসিদা লৈরিবা মীওইবশিংনা হিংবদা নুংঙাইনবা মখল মখা কয়াগী খুদোংচানবা কয়া য়েংদুনা খম থোংনা চাওখৎপা থাক অদু য়ৌরে।

মপাম্থোংগী মীৎয়েংদা অয়ৌবী থাক্তা চাওখৎলবসু মীওইবগী শাজৎতি নোংমা নোংমগী অশুম লৈখা তারক্তুনা, তাহৈদবা উহৈদবা কয়া অমা ঐখোয়না ঙসি ঙসিমক তারি–উরি, থোক্লি।

চিন্দদি লাওরি, নুপীবু অৱাংবা থাক্তা চিংখৎকদবনি হায়না অদুবু, মীয়াম মমাঙদা অফবা ফজবা ৱাহৈ পরেং কয়া ঙাংবা মীওইশিং অমসু মাগী নুপী অঙাং দদি অদুম তুহৎপীরি। ধর্ম্মগী মিংদা নৈহৎপীরি, চৎনবীগী মিংদা।

মসিমক্তনা সমাজদা নুপী ওইবীশিংনা তৌজনিংবা, পাং থোক্লিংবা থবক কয়া মপাঙ্গল থোকপা ঙমদনা লৈরক্লি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা নুপা কয়ানা নুপীবু হন্থবা মীৎয়েং দা য়েংবীদুনা ইজৎ মাংহনবীরি, হাৎপীরি। মসিদসু নত্তনা পিক্লিবা অফ–ফত্ত খঙজদ্রিবা নৌরিবা অঙাং কয়াসু মশাগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবীরি।

নুপীবু হন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবীবদগীনি ঙসিগী সমাজ অসিদা মমা–মপা ওইবশিংনা নুপী পোকপা পাম্নরকত্রিবা। সমাজ অসিগী তমথিরবা শাজৎশিং অসিগী ৱারী তারুবদগী তাইবংপান অসি অমুক্তংদি উজরদি হায়না খৌরাংনা ঙাইরক্লিবা শয়োমনুংগী অঙাংনা লাওরক্লি "পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে" মপাঙ্গল কনলবা আইবগী খূৎই অদুবু হৈশিংবা লমজিং লমতাকপা অমা ওইরিবা থৌদাম ব্রজবিধু সিংহগী হৈ–শিংবা লমজিং লমতাক উখিবা প্লে অসি অয়েংবশিংগী মীৎফম হোংহন্দবা ঙস্বা ওইরি।

চাওরাক্লা পুং ১ রোম শাংবা প্লে অসিনা অয়েংবা ভাবকশিংবু নমদুনা ৱাখল খলহনবা ঙস্বা য়াম্নমক মপুং ফাবা অমা ওইরি।



মতম শাংনা থিয়েটর গী লম অসিদা কলাকার অমা ওইনা টেক্নিসিয়ান অমা ওইনা লোয়ন–লোয়ননা লম কয়াদা সংস্থান কয়াদা মায় পাক্লা চংশিনলক্লবা মতুংদা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এমদিয়ু) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিয়েটিব দাইরেক্টর ২০১৭ দা শরুক য়াখিবা "পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে" হায়রিবা প্লে অসিনা অনীশুবা বেষ্ট প্রদর্শন ফংবদা নত্তনা প্লে অসিদা থরোগী শক্তম লাংখিবী থৌদাম মোধুবালা দেবীনা বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্দ ফংখি। পুক্নুংদা লৈরিবী পোকত্রিবী অঙাং অমগী শক্তম লাংখিবী থাংজম মঞ্জিতা চনুনা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেস, লীলা ইবা মনি য়ুম্নামনা বেষ্ট স্ক্রিপ্ট, ফুরাইলাকপম সরতচন্দ্র শর্ম্মনা বেষ্ট সেট্টিং, টিঐচ তাইবংঙানবা না অনীশুবা বেষ্ট লাইট, য়ুম্নাম রাজেন সিংহ না অনীশুবা বেষ্ট ম্যুজিক, দব্লিউ বুধি অমসুং এম মনিমোহোন না অনীশুবা বেষ্ট মেক–অপ, সপাম রঞ্জিতা দেবীনা অহুমশুবা বেষ্ট কষ্ট্যুম এৱার্দ ফংদুনা য়াম্নামক মায় পাক্লবা প্লে অমা ওইখিবা "পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে" হায়রিবা প্লে অসিবু থৱাই হাপ্তুনা লমজিং লমতাকখিবা থৌদাম ব্রজবিধু সিংহ না ৪৮ লক শুবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রেসন দাইরেক্টর ২০১৭ গী বেষ্ট দাইরেক্টরবু ক্রিয়েটিব মনা ফংখ্রবা প্লে অসিগী ফম্বাক মরুমদা লৈদুনা থৌদাং য়রিবশিংদিঃ (১) মৈ– থাংজম তাইবংঙাম্বা মৈতৈ, (২) ষ্টেজ–পিঐচ সরতচন্দ্র (৩) মেক অপ দব্লিউ বুধি এন্দ এম মানিমোহোন (৪) কষ্ট্যুম–সাপম রঞ্জিতা দেবী (৫) ম্যুজিক–ৱাই রাজেন সিংহ, (৬) সাউন্দ –আর কে তোম্বিসানা (৭) অইবা– মানি য়ুম্নাম (৮) থৌদাম ব্রাজাবিধু সিংহ–দাইরেক্টর নি।

ফম্বাক্তা শক্তম লাংখিবশিং দিঃ– (১) চাউতোনগী শক্তমদা লাইশ্রম বিপিন, (২) থরোগী শক্তমদা থৌদাম মোধুবালা দেবী, (৩) মেমচৌবী গী শক্তমদা সোরোকখাইবম রেস্মি দেবী, (৪) স্নাতোম্বীগী শক্তমদা লাইশ্রম পেনসি দেবী, (৫) ইমোচাগী শক্তমদা খুনে দাংবম উনবা মৈতৈ, (৬) পুক্নুংগী অঙাংগী শক্তমদা থাংজম মঞ্জিতা চনু ,( ৭) নহা অমগী শক্তমদা মোইরাংথেম মানিমোহোন, (৮) নহা অনীশুবগী শক্তমদা দব্লিউ বুধিনা ওইরিবা প্লে অসিনা "নাত্য রত্ন"–সোরোখাইবম লালিট সিংহ গী ১২৬ শুবা বার্থ অনিভসেরি পালোন থৌরমগী মপুংফাবা শক্তম অমা ওইহনখি।




## মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE : AQURIUM*
**Valencia Asem**
Class: IV
Roll No: 6
School: THE BLOSSOM SCHOOL





*TITLE : UCHIHA SASUKE*
**Luwanganba Mayengbam**
Class: II , Sec : A
Roll No:19
School: IMPHAL PUBLIC SCHOOL





*TITLE : UCHIHA SASUKE*
**Thawailemba Mayengbam**
Class: VII ,
Roll No:45
School: IMPHAL PUBLIC SCHOOL





*TITLE : DUCK*
**Princenanda Laishram**
Class: K.G
Sec : B,
Roll No : 26
School :PREMIER ENGLISH





*TITLE,: SCENERY*
**Henthoi Laishram**
Class: V,
Sec : A,
Roll No- 54
School:UNACCO,SCHOOL KHONGMAN





*TITLE : SCENERY*
**Okram Gaytri**
Class: III
Sec : C,
Roll No-5
School:UNACCO,SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,:SCENERY*
**S. Raymond**
Class: III,
Sec : C,
Roll No-40
School:UNACCO,SCHOOL KHONGMAN





*TITLE: ROSE*
**T. Mansi**
Class: III,
Sec : C
Roll No-50
School:UNACCO,SCHOOL, KHONGMAN





*TITLE : RABBIT*
**Devirani K.**
Class: V,
Sec : A,
Roll No-8
School: UNACCO SCHOOL, MEITRAM






*TITLE : TAMPLE*
**G. Urbashi Sharma**
Class: IV,
Sec : B,
Roll No-9
School:UNACCO.SCHOOL,






*TITLE : PARROT*
**Kh. Lucky**
Class: IV,
Sec : B,
Roll No-18
School:UNACCO, SCHOOL, MEITRAM





*TITLE: SPIDER MAN*
**Darwin Oinam**
Class:IV
Sec : B
Roll No-7
School: UNACCO SCHOOL, MEITRAM



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*